

# সনালৈবাক স্পোর্টস



SATURDAY, FEBRUARY 01, 2014, PAGE 7


*ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াগী ওইনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবা বোক্সর বিজেন্দ্র হঙ্গেরি ওপনদা য়াওরোই*

*ইংলিশ প্রেমিয়র লীগক্তা চেলসি অমদি ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদ শান্নখিবা মেটচ অমদা টিম অনীগী শান্নরোইনা বোল লৌনবা হোৎনবা*

## ন্যু জিলেণ্ডনা ইন্দিয়াবু রন ৮৭ তা মায়থীবা পীখ্রে



*ৱিল্লিংতোন, জনুৱারি ৩১ঃ*
ন্যু জিলেণ্ড অমদি ইন্দিয়া লৈবাক অনীগী ওইবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেটকি ইন্দিয়াগী টির মেটচ ওইনা ঙসি ৱিল্লিংতোনদা শান্নখিবা মঙাশুবা ৱান দে মেটচ অসিদা ন্যুজিলেণ্ডনা ইন্দিয়া টিম্বু রন ৮৭ তা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা সেরিজ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ন্যুজিলেণ্ডনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নবদা ৱিকেট ৫ তুবদা রন ৩০৩ লৌখি। ন্যুজিলেণ্ডগী ওপনর ওইখিবা মার্টিন গুপটেলনা বোল ৩৫ দা রন ১৬ লৌখি। জেসি রেদরনা বোল ২৬ তা রন ১৭, কেনি ৱিল্লিমসন্না বোল ৯১ দা রন ৮৮, রোস টেলরনা বোল ১০৬ তা রন ১০২, ব্রেনদোন মেক কুলমনা বোল ১৮ দা রন ২৩, জেমস নিসমনা বোল ১৯ দা রন ৩৪ অদুগা ৱিকেট কিপ্পর ওইখিবা লুকে রোঞ্চিনা বোল ৫ দা রন ১১ লৌদুনা ন্যুজিলেণ্ডগী রন ৩০৩ অসি লৌখিবনি।

ওভর ৭.৪ দা ন্যুজিলেণ্ডগী অহানবা ৱিকেট তুখি। মতম অসিদা ন্যুজিলেণ্ডনা শুপ্নগী রন ২২ খক্তমক লৌরি। অনীশুবা ৱিকেট অদুনা ওভর ১২.২ দা তুখি মতম অসিদা টিম অসিনা রন ৪১ খক্তমক লৌখি। ওভর ৩৭.৩ দা অহুমশুবা ৱিকেট তুখি মতম অসিদা রন ১৯৩ য়ৌখি। মরিশুবা ৱিকেটনা ওভর ৪৩.৫ দা তুখি মতম অসিদনা রন ২৪৩ লৌখি। মঙাশুবা ৱিকেটনা ওভর ৪৮ দা তুখি মতম অসিদা টিম অসিগী রন ২৭৪ য়ৌখি।

টিম অসিগী শান্নরোই জেমস নিশম অমদি ৱিকেট কিপ্পর লুকে রোঞ্চি নোক আউট ওইদুনা ক্রিসতা লৈখি।

ইনিংস অসিদা ইন্দিয়াগী বোল্লিংগী মায়কৈদা সামি অহমদনা রন ৬১ পীরগা ৱিকেট অমা লৌখি। ভুবনেশ্বর কুমারসু রন ৪৮ পীরগা ৱিকেট অমা লৌখি অদুগা বরুন অরোননা রন ৬০ পীরগা ৱিকেট ২ লৌখি।

ইন্দিয়াগী ইনিংসতা রোহিট শর্ম্মা অমদি সিকারি ধৱন অনীনা ওপনর ওইনা শান্নখি। রোহিট শর্ম্মনা বোল ১৩ দা রন ৪ লৌরম্লগা আউট ওইখি। সিকারি ধৱনসু বোল ২৮ দা রন ৯ লৌরম্লগা আউট ওইখি। বিরাট কোহলিনা বোল ৭৮ দা রন ৮২ লৌরগা আউট ওইখি। অঞ্জিকা রহনেনা বোল ১০ দা রন ২ লৌখি। অম্বাটি রায়ুদুনা বোল ৪০ দা রন ২০ লৌখি। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা বোল ৭২ দা রন ৪৭ লৌখি।

রবিচন্দ্রন অশ্বনিনা বোল ১১ দা রন ৭ লৌখি। রবিন্দ্র জাদেজানা বোল ৬ তা রন ৫ লৌখি। চিকারা ধৱননা রন ৯ লৌবা ঙমখি। মসিনা মহাক্না ৱান দে ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেটকি মেটচতা খ্বাইদগী য়াম্বশিংগী মনুংদা অনীশুবা ওইনা রন লৌবা ওইরি। অসুম্না ইন্দিয়া টিম্না ৫ শুবা ৱান দে ইন্টর্নেসনলে মেটচ অসিদসু ন্যু জিলেণ্ড টিমগী মায়োক্তা টিম অসিনা থনম্লিবা রন ৩০৪ লৌনা হোৎনবদা শুপ্নগী ওভর ৪৯.৪ দা রন ২১৬ লৌরগা ওল আউট ওইখি।

ঙসিগী মেটচ অসি মায় পাক্লবা শান্নবদা ন্যুজিলেণ্ডগী রোস টাইলরনা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়বা য়াই। মহাক্না বোল ১০৬ তা রন ১০২ লৌখিবা অসিনি।

## ৱেভরাইদরনা কলিঙ্গা লঞ্চরবু ৫–০ দা থোইখ্রে

*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ৩১ঃ*
মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হেরো হোকি ইন্দিয়া লীগকি ৭ শুবা মেটচতা দিল্লী ৱেভরাইদরনা ওদিশাদা বেজ তৌবা কলিঙ্গা লঞ্চরবু গোল ৫–০ দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুদা দিল্লী ৱেভরাইদরগী ওনর পার্থনর অমা ওইরিবা বোল্লিবুটকি এক্টর জোন অব্রাহম অমদি ইন্দিয়াগী ক্রিকেটর জুবরা সিংহসু মেটচ অদুবু য়েংখি।

মেটচ অদুদা দিল্লী ৱেভরাইদরগী শান্নরোই অমা ওইনা শিংথানরিবা রুপেন্দরপাল সিংহনা মেটচ অসিগী ১৩ শুবা অমদি ২৯ শুবা মিনিটতা গোল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা মখা তাবা অতোপ্পা গোল অহুম অদুনা টিম অসিগী শান্নরোই মার্ক গোহদেসনা ২১ শুবা মিনিটতা, দিনেস মুসতাবানা ৪৮ শুবা মিনিটতা অদুগা মপালদগী লীগ অসিদা য়াওরিবা শান্নরোই লিওন নোরিস জোননা ৫৩ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চন্দুনা কলিংগা লঞ্চরবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অদু হেক হৌবদগী দিল্লী ৱেভরাইদরনা ওরিশাদা বেজ তৌরিবা কলিংগা লঞ্চরগা মায়োক্তা বোল পুশিন্দুনা গোল চন্নবা অকনবা এটেক কয়া তৌখি। অহানবা ওইনা মেটচকি ১৩ শুবা মিনিটতা দিল্লীগী মিদফিলদর টিমোর্টিনা গোল এরিয়াদা পুশিল্লকপা বোল অমা কলিংগা রাইদরসকি শান্নরোই অমগী মখোঙদা পানবগা লোয়ননা অহানবা ওইনা টিম অসিগী পেনালটি কোর্নর ফংখি। ফংলিবা পেনালটি কোর্নর অদুদা রুপিন্দর সিংহনা কলিংগা লঞ্চরগী গোল কিপ্পর ওইরিবা হরজোট সিংহগী মায়োক্তা গোল চনবা হৌখি।



## জপান লীগতা ফোলান য়াওগনি

*টোকিও, জনুৱারি ৩১ঃ*
উরুগেগী ইন্টর্নেসনেল ষ্ট্রাইকর ওইরিবা দিগো ফোলান অহানবা ওইনা কেরিজো ওসাকা হায়না খঙনবা জপান লীগ অসিদা হন্দক্কি সিজন অসিদা শরুক য়াগনি হায়রি। জপান লীগ অসিদা মহাক্না চহী অমদা য়ু এস দোল্লর ৫.৮ মিলিয়ন তানগনি হায়না লোকেল মেদিয়াশিংনা ফোঙদোক্লরি।



মশাগী চহী ৩৪ শুরবা শান্নরোই অসিনা হৌখিবা চহী ২০১২ দা ব্রজিলদা শান্নবগা লোয়ননা চহী অদুদা মহাক্না মেটচ ৫৫ শান্নবদা গোল ২২ চনখিবা অমসু ওইখি। মমাঙগী চহী ২০১৩ দা ফোলাননা য়ুরোপকি তোঙান তোঙানবা ক্লব খরদা শান্নখি। মহাক্না য়ুরোপিয়ন লীগতা য়াওখিবা ক্লবশিং অদুদি মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইদেট, ইন্টর মিলেন অমদি এলিটিকো মেদ্রিদনি।

মসিগী মথক্তা শান্নরোই অসিনা আউথ আফ্রিকানা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ২০১০ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা বেষ্ট প্লেয়র তাখি মসিগীদমক মঙোন্দা সনানা শাবা বোল অমা পীখি। মসিগী মথক্তা চহী অদুগী ওইনা ৱার্ল্ড কপতা গোল খ্বাইদগী চনবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা মহাক্না গোল ৫ চনবগা লোয়ননা অতোপ্পা শান্নরোই অমগা পুন্না টোপ স্কোলরগী মনাসু ফংখিবা শান্নরোই অমনি।

কেরিজো ওসাকা হায়বা ক্লব অসিদা মমাঙদা হান্না য়াওরম্বা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকি মিদফিল্ডর সিনজি কগাৱাগী মথক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চহী অমদা খ্বাইদগী য়াম্না শেল লৌবা শান্নরোই অমা ওইগদৌরি হায়না পান্নরি।

মহাক্না অন্দক্কি সিজন অসিদা জপানগী য়েন ৬০০ মিলিয়ন লৌগদৌরি। মসি য়ু এস দোল্লরদা ৫.৮ মিলিয়ন ওইগনি। জপানগী ক্লবশিংদা মপালগী শান্নরোইশিং য়াওবা অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী পৈশা পীখিবসি ইংলেণ্ডগী ষ্ট্রাইকর গেরি লিনিকরনা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা জপান লীগতা ৩০০ মিলিয়ন য়েন লৌখি।

মতম অদুদা লীগ অসিদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংদি লিনিকর, জিকো অমদি পেরি লিটবাসকিনি। ফোলাননা জপাল লীগতা য়াওবা মমিং লৈবা শান্নরোই অমা ওইগদৌরি।

## জিরি কপতা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লব সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*জিরিবাম, জনুৱারি ৩১ঃ*
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েন্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শক খঙলবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লব (কে আই ৱাই সি) না ৱামাজিং হাপলোং আসামবু গোল ৭–১ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা সেমি ফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে। অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দি ও ইম্ফালনা এল এন পি এফ সি মিজোরাম্বু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি নুংথিলগী পুং ১২ তাবা মতমদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবনা ৱামাজিং হাপলোং আসাম্বু গোল ৭–১ দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদু কে আই ৱাই সিনা দোমিন্টে তৌদুনা শান্নখিবা প্লে অমা ওইবগা লোয়ননা প্লে অসি ৱান সাইদেট ওইখি।

মেটচ অদুগী ২৩ শুবা মিনিটতা কে আই ৱাই সিগী কে অজমির সাহনা গোল ১ চন্দুনা গোল একাউন্দ হাংদোকপা হৌখি। মসিগী মতুং মিনিট ৫ লৈরগা মেটচকিনা ২৮ শুবা মিনিটতা অজমির সাহনা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি।

অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা কে আই ৱাই সিনা গোল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মতম অসিদা আমিজং হাপলোংনা গোল অমা ফাওবা চনবা ঙমখিদে। সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি। মেটচকি ৪২ শুবা মিনিটতা অজমির সাহনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চনবগা লোয়ননা মেটচ অসিদা হেটট্রিক ফংখি।

মেটচ অসিগী ৬০ শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কী শান্নরোই গান্ধী কামৈনা গোল অমগা চন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থাখি। টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই এম দি ৱাহাজনা ৬৬ শুবা অমদি ৭১ শুবা মিনিটতা গোল ২ চনবা ঙমখি। মহাক্না গোল ২ চনবা অসিগা লোয়ননা টিম অসিনা হোপলোং টিম্বু গোল ৬–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ৱামাজিং হাপলোংনা গোল চন্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেটচকি ৬৭ শুবা মিনিটতা কে আই ৱাই সিগী আকবর খাননা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা টিম অসিনা ৭–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। থংনবা মিৎকুপ্তা ৱামাজিং হাপলোং টিম আসামগী লালমিংহলুনা গোল অমা চন্দুনা মঙোন্দগী গোল হেন্না চৎলিবা কে আই ৱাই সিগী মায়োক্তা গোল অমা চন্দুনা টিমগী একাউন্দ হাঙখি।

মেটচ অদুগী ১১ শুবা মিনটতা ৱামাজিং হাপলোংগী রোবার্দ বাইটেবু রেফরিনা অনস্পোর্টিং ওইবগীদমক য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱাই দি ও ইম্ফালনা এল এন পি এফ সি মিজোরাম্বু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখি। ৱাই দি ওগী এন জয়কুমারনা ১০ শুবা মিনিটতা গোল ১ মিজোরামগী মায়কৈদা চনবা ঙমখি। ২৫ শুবা মিনিটতা মিজোরামগী লালরোংবোলানা গোল ১ অমুক চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেটচকি ৪৩ শুবা মিনিটতা ৱাই দি ওগী গোল ১গা অমুক চন্দুনা ২–১ দা লৈখি। অদুবু ৬২ শুবা মিনিটতা পেনালটি অমা ফংবদগী মিজোরাম্না অমুক হন্না ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমখি। মেটচকি ৭২ শুবা মিনিটতা ও ওলেন্দনা ২ শুবা গোল চনবগা লোয়ননা মিজোরাম টিম্বু ৩–২ দা মায়থীবা পীখি।

## ফাষ্ট ৱিন্টর ট্রোফি ফুটবোল

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ঃ*
কৌব্রু ইপাগী মঙাল সোসিএল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কে আই এম এস দি ও) না শীন্দুনা উৎলৌ মমাঙ প্লে গ্রাউন্দদা ঙসিদগী টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা অহানবা অন্দর ১৬ সভেন–এ সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ৱিন্টর ট্রোফি হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎকি অহানবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ দা শান্নখিবা গ্রুপ–এ গী মেটচতা কে আই এম এস দি ও (এ) না ৱাই দব্লিউ সি মালোম্বু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেটচ অদুদা টিম অনীনা মাগী মাগী টিমগী গোল চন্নবা কন্না হোৎনদুনা শান্নখি। অদুমওইনমক হোষ্ট টিম ওইরিবা কে আই এম এস দি ও(এ) গী এস ঐচ নেট্রজিৎ সিংহনা মেটচকি ৮ শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি।

মসিগী মথংদা মেটচকিনা ১৭ শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কী শান্নরোই এল বিদাশ্বরনা গোল অমগা অমুক চন্দুনা ২–০ দা থমখি। ৱাই দব্লিউ সি মালোমনা গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা শান্নখি। মেটচকি ২৫ শুবা মিনিটতা ৱাই দব্লিউ সি মালোমগী কে তোম্বনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবদা হোষ্ট টিম (এ) না গোল ১ মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবদসু টিম অনীমক্না মখা তাবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী হোষ্ট টিম এনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম্বু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখি। হয়েং শান্নবা অনী লৈগনি অহানবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা গ্রুপ–দিগী ৱাই এস দব্লিউ এ উৎলৌ ময়ায় লৈকাই অমদি এ এস এ অৱাং জিরি শান্নগনি অদুগা নুংথিলগী পুং ২.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ সিগী মেটচ ওইনা এল ৱাই এস এস য়ু লিলোংগা এল ৱাই এস সি লাইতোঞ্জমগা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

গ্রুপ–এ দা লৈরিবা টিমশিং অদুদি ই এস ও বমদিয়ার, ৱাই দব্লিউ সি মালোম, কিমসদো–এ অমদি এম এস জি পাৎশোই। গ্রুপ–সিদা কে এফ সি ৱাকৈথেল, এল ৱাই এস এস য়ু লিলোং অমদি এল ৱাই এস সি লাইতোঞ্জম। গ্রুপ–বিদা এফ সি লাইরেঞ্জম, ৱাই এস দব্লিউ এ উৎলৌ অমদি এ এস এ অৱাং জিরি লৈরি। গ্রুপ–দিদা য়ু এল এল ৱাই সি উৎলৌ লাইরম, দি ৱাই এন এ এম ও হোদাম লৈরক অমদি এল পি জি গোবিন্দা গ্রাম অদুগা গ্রুপ–ই দা কিমসদো–বি, কে এস ৱাই সি হিয়াংথাং অমদি ৱাই এল এস য়ু উৎলৌ লৈমিন্নরি।


Millennium Institute of Sciences
*Presents for the first time*
MILLENNIUM SCHOOL
From 2014-15 Academic Session opening
**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
**Special features :** AC room for daycare
- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

Form available from 7th November 2013
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B

ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)
URIPOK POLEM LEIKAI
ADMISSION OPEN FOR
MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014
TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840–9863222153–9863265726